## নহারোলগী থৌদাং

# সোনিয়া অমদি লোকেশ্বর নেস্নেল এৱার্দ লাওথোকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

**ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ** চৎলিবা চহী ২০২২ গী ওইনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা-অইবী খুন্দ্রাকপম সোনিয়া অমদি নাওরেম লোকেশ্বর এলাইজ সনায়াইমা সাহিত্য একাদমি, নিউ দিল্লিনা স্পোন্সর তৌবা নেস্নেল এৱার্দ পীরে হায়না ঙরাং একাদমি অসিগী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোকখ্রে।

কুমারি সোনিয়ানা ফংলিবা এৱার্দ অদুনা য়ুব পুরস্কার (নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈবা অইবশিং খনগৎলগা পীবা মনা) নি অদুগা লোকেশ্বর (সনায়াইমা) না ফংলিবা মনা অদুনা বাল শ্রী পুরস্কার (অঙাংশিংগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং খনগৎলগা পীবা এৱার্দ) অসিনি।

য়াম্না নহা ওইরিবী অইবী সোনিয়ানা হৌখিবা ২০১৯ দা কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী বেন্নর মখাদা ফোংখিবা লোয়ুম্বা হায়না মিংথোনবা নোভেল অসিদা অথং-অহে জুরিশিংনা লানখৎলকপা রিকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না পীবনি। কুমারি সোনিয়া কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদগীনি। হৌজিক্না পিদব্লিয়ুদিদা থবক তৌরিবী মমা ইবেম্মাগী লাঙ্গোলদা লৈবা লাঙ্গোল হাওজিং কমপ্লেক্সকী ক্বার্টরদা লৈরি। কলচরেল ফোরম অমসুং মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী লাইফ টাইম মেম্বরসু ওইরি।

উরিপোক অহন্থেম লৈকাইদগী নাওরেম লোকেশ্বরনা ফংলিবা এৱার্দ অসিনা হৌখিবা ২০২০ দা তেমথিন অমসুং খুজি হায়না মিংথোনবা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসি ইবগীনি। পিঐচই দিপার্টমেন্টতা এসও ওইরম্লবা অইবা অসি হৌজিক মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুরি। অইবা লোকেশ্বরগী বালশ্রী এৱার্দ ফংলবা অঙাংশিংগী ওইবা লাইরিক অসি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী বেন্নর মখাদা ফোংখিবনি। লাইরিক অনিমক মীয়ামনা পাম্না পানখ্রবনি।

অথুবা মতমদা সাইটেসনগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০/৫০ গী মনা (পুরস্কার) ফংলগদবা অইবা-অইবী অনিমক য়াওনা ঙরাং এৱার্দ লাওথোকপগী পাউ হেক ফংকা কলচরেল ফোরম অমদি লিটরেরি সোসাইটিগী থৌপুবশিং অমসুং মরুপ-মপাংশিং ফোরম অমদি সোসাইটিগী ওফিসতা হরাও নুংঙাইবগী অখন্নবা প্রোগ্রাম মথং-মথং পাঙথোকখ্রে। খোরিরোল শন্দোকপা লুপ কয়ানসু অইবা-অইবী অনিমক মথং-মথং তরাম্না ওক্লবা থৌরাং তৌনখ্রে হায়রি।